য়ানবা পুরকপদগী অরুনগী হকচাং লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস): ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বামোন কম্পু মখা লৈকায়দগী খুঞ্জাময়ুম অরুন (৩৫), অপোকপা সনাজাওবা কৌবা মীওই অমা চহী অসিগী এপ্রিল ২৩ দা বামোন কম্পু সিফাই লৌকোলদা তমথিনা হাৎলগা থল্লমখিবা অদুগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা মীহাৎপদা চেন্নবশিং পুথোরকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা জেনিমসকী মোর্গতা লৈরকখিবা অশিবা হকচাং অদু য়ানবা পুরকপদগী ঙসি লৌখ্রে।

অরুনগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু মীয়াম্না প্রোসেসনগা লোয়ননা চৎলগা মথৌ-মঙম পাঙথোকখ্রে। জে এ সীগী কনভিনরনা ফোঙদোকখিবদা, মীহাৎ অসিদা চেন্নবনি হায়বা প্রধান নাওসেকপম রবি অমদি লৈখিদ্রবা অরুনগী লোয়নবী হেলেন মীহাৎ অদুদা মশা মশানা মরাল য়াজখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা জে এ সীদা খঙহল্লকখিবদগী অশিবা হকচাং লৌবনি। মখোয় অনীগী চার্জসিট অদু মখোয়গী রিমান্দ থা অসিগী ১৮ দা লোইগদৌরিবা অসিগী মমাঙদা লানখৎলগনি হায়না থাজবা পীরকখি।

পনবা য়াবদি, অরুনগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা ক্লেম তৌদ্রবদি লোগী মতুংইন্না দিস্পোজ তৌরগনি হায়না চে থোকপা লৈখ্রবনি। জে নিমসকী মোর্গতা থল্লকখিবা অরুনগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙসি মোর্গতগী লৌদুনা ময়ুমদা পুখ্রে। ক্লেম তৌদ্রবদি দিস্পোজ তৌখ্রগনি হায়বা চেরোল থোকখ্রবা মতুংদা ঙসি লৌখিবনি হায়রি

GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE SERVICE
WANGJING & KHONGJOM
Booking Upto : 06/04/2019
Valid From : 16/03/2019
Stk : 612 (CTC)
Timing:07.30am to 10.00am
CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:08/04/2019
Valid From:02/04/2019
Stk 14kg : 612
5kg Stk. Available
Timing :08.00am to 10.30am
(First come first Serve)
HRANGCHAL GAS AGENCY
OLD LAMBULANE
Booking Upto: 17/04/2019
Valid From: 11/04/2019
Stk : 306
(Aadhaar Link Consumers Only)
HARAN VALLEY KWAKTA
Booking Upto : 06/04/2019
Valid From : 18/03/2019
Stk : 306
Timing: 07.30am to 11.30am
K&K INDANE SERVICE
Booking Upto date
Stk : 306
Timing: 07.30am to 11.00am
(First Come First serve)
LEIBAKLEI GAS KAKCHING
Sl.No. Upto - 43003
Booking Upto: 15/03/2019
Valid From: 27/02/2019
Stk : 612
Timing:08.00am to 11.00am
SANTHEL BAZAR INDANE
GRAMIN VITRAK
Booking Upto: 20/04/2019
Valid From: 10/04/2019
Stk : 306
Timing:07.00am to 10.00am
LAMSANG GAS AGENCY
Booking Upto: 10/04/2019
Valid From: 03/04/2019
Stk : 306
Timing:07.00am to 10.00am
First Come First Serve
LAMBODARA INDANE
Booking Upto date
Stk : 306
Timing:07.30am to 10.00am
M.M. GAS SERVICE
5 & 19 kg Stk Available
Home Delivery Form Available
Booking Upto: 22/04/2019
Valid From:16/04/2019
Stk : 568 (DBTL Only)
Timing:07.00am to 10.30am
MAIBIA GAS, MOIRANG
SL. No. 7821 - 9080
Booking Upto: 29/03/2019
Valid From: 26/03/2019
Stk : 306
Timing:7.00am to 11.00am
MISAO GAS SERVICE
Booking Upto: 23/04/2019
Valid From: 01/04/2019
Stk : 612
Timing:07.00am to 11.00am
LOKTAK INDANE GRAMIN
VITRAK, THANGA
Booking Upto date
Stk : 297
Timing:07.30am to 10.30am
KHUMBONG INDANE
Sl. No. Upto - 200
Booking Upto:12/04/2019
Valid From: 10/04/2019
Stk : 306
Timing:07.30am to 10.30am
JRONGMEI SK INDANE
WANGOI
Sl. No. 38131 - 38430
Stk : 306
Timing: 06.30am to 09.30am
SAWOMBUNG'S INDANE
Booking Upto:02/04/2019
Valid From:19/03/2019
Stk : 306
Timing:07.30am to 10.00am
HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto:01/04/2019
Valid From:31/03/2019
Stk : 306
Timing:07.30am to 10.30am

এ আই এস এস সী এগজামদা মণিপুরগী টোপ্পর ওইরকখ্রবশিং ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া সিনিয়র স্কুল সার্টিফিকেট এগজাম (এ আই এস এস সী) ২০১৯ দা মায় পাক্লবা মণিপুরগী টোপ্পরশিং ওকপগী থৌরম ঙসি সী বি এস ঈ এফিলিএটেদ স্কুল এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা চিংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমার, মণিপুর লৈঙাক্কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি রেগিনা হোংরে অমদি মণিপুর পব্লিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল এস প্রেমাবতিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হন্দক চহীগী এ আই এস এস সীগী এগজাম ২০১৯ দা মণিপুরগী ওইনা মকোক মথং তারক্লবশিংদা শেল অমদি মমেন্টো পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। সাইন্স, আর্টস অমদি কমর্স সবজেক্টতা মণিপুরগী ওইনা এ আই এস এস সী এগজাম ২০১৯ দা ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দনচিংবা তাখিবা মহৈরোয়শিংদা মমেন্টো অমদি শেলনচিংবা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

সাইন্স ষ্ট্রিমদা মণিপুরগী ওইনা ফর্ষ্ট তাখিবা য়ুনাকো স্কুল খোংমনগী মহৈরোয় সৈত্যজিৎ থোঙাম, সেকেন্দ পোজিসনদা য়ুনাকো স্কুলগী মহৈরোয় প্রটিক অগরৱাল, থর্দ পোজিসনদা মারিয়া মোন্তেশ্বরী স্কুলগী মহৈরোয় রুপচন্দ্রনি। আর্টস ষ্ট্রিমগী ফর্ষ্ট পোজিসনদা সেন্ট পোল ইনষ্টিট্যুট চুড়াচান্দপুরগী লালমিনলিয়ান জৌ, সেকেন্দ পোজিসনদা বিদ্যালয়া লম্ফেলগী মহৈরোয় রাজবন্স হুইদ্রোম, থর্দ পোজিসন্দা মারিয়া মোন্তেশ্বরী স্কুলগী বিনিতা পুখ্রম্বমনি। কম্মর্স ষ্ট্রিমদনা ফর্ষ্ট পোজিসনদা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়া লম্ফেলগী মহৈরোয় লিজা জেইন, সেকেন্দ পোজিসন্দা ভক্তি বেদান্তা মিসন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় সুপ্রিয়া কুমারীনি।

মহৈরোয় পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা টি ঐচ কিরনকমারনা হায়খি, মহৈরোয়শিংনা এ আই এস এস সী এগজামদা মণিপুরগী মকোক ওইরকপা য়াম্না নুংঙাই। মহৈরোয়শিংনা ইশানা পামজবা সবজেক্ট লৌখ্রবা মতুংদা অফবা ওজা থেংনরবা অমদি অফবা লাইরিক ফংলগদি য়াম্না ফরে। মদুদি নত্তনা সবজেক্ট ইশানা পাম্বা খল্লগা ওজা অফবা লৈরগসু লাইরিক লৈত্রবদি কান্নদে হায়খি।

লুপা ক্রোর ১ হেনবগী ব্রাউন সুগর...

লামায় ১গী মখা... খুদেংথাবী পোষ্টকী টিম অমনা মোরেরোমগী থোক্লকপা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা অমুবা মচুগী ওটোরিক্সো অমা খাল্লগা চেক তৌবদা ব্রাউন সুগর ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা কমলা মচুগী পাউদর পেকেট ৪২ ফংবা ঙমখি। চাউরাক্লা গ্রাম ৫৮২ লুম্বা ব্রাউন সুগর অদু খুদেংথাবীদগী জম্পাও খোংসাই (৪০) কৌবা মীওই অমনা পুরকখিবনি। মীওই অসিনা থৌরকখিবা ওটোরিক্সোদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা তোংলকখিদে। অসাম রাইফলসনা ময়াই কাবা পোৎলমশিং পুথোক-পুশিন তৌবা থিংনবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

টুনিসিয়াগী এৱার্দ ফংখ্রবা ফিল্ম ৬...

লামায় ১গী মখা... অমদি লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদা টুনিসিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেল পাঙথোক্তুনা টুনিসিয়াদা পুথোক্লিবা ফিল্মশিং মীয়ামদা মহাও তংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মৈ থানবা শিঙ য়ানবা অমসুং...

লামায় ১গী মখা... মাঙহনবতা নত্তনা ঈশিং খোং থিবদসু অৱাবা ওইরকই। অদুমকপু হিংনবগী অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতবনা উ-ৱা য়াম্ফুৎপগী থবক অসিদি লেপ্তুনা অদুমক চত্থনরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৬তা লৈবাক অসিগী উমং কয়াদা মৈ চাকপগী থৌদোক ২৪,৪১৭, কুমজা ২০১৭তনা উমং মৈ চাকপগী থৌদোক ৩৫,৪৪৪ অমসুং কুমজা ২০১৮দনা উমং মৈ চাকপগী থৌদোক ৩৯,০৫৭ রোম থোকখি। উমং মৈ চাকখিবা অসিনা চহী অমদা লুপা ক্রোর ১,১০১ রোম মাঙলে হায়না পান্নরি। কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারীদগীনা মার্চ থা ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা উমং মৈ চাকপগী থৌদোক ১,৩১২ থোকখি হায়রি।

অমরোমদা, ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চুড়াচান্দপুরদগী পরবুং ফাওদুনা চৎলিবা হায়ৱে নম্বর টুগী নাক য়েৎতা লৈরিবা খুঞ্জা খরদি মখোয়গী পামদা থাবা মহৈ-মরোং অমদি মনা-মশিং পুরক্তুনা লম্বীগী নাকলদা য়োল্লগা ইমুং-মনুং পুনরি। খুঞ্জাশিং অসিনা পুথোকপা লফোইগী পোথোকশিংদি চুড়াচান্দপুর চৎপা কাঙবুদা শিন্নরগা য়োলহনহৌরি। অয়াম্বনা দুকান ফম্বা খুঞ্জাশিংনা দুকান্দগী পোৎ চৈ লৌবা ফাওবা গাড়ী দ্রাইভরদা শিন্নরগা পুহল্লকপনা অয়াম্বনি।

ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা খুন খরগী অহলশিংনা ফোঙদোরকপদা লৈঙাক্কী গো টু হিলগী প্রোগ্রাম করিনো খঙহৌদে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা খুনশিংদসু লৈঙাক্কী গো টু হিল প্রোগ্রাম করিনো খঙনীংই হায়নসু শোন্নহৌরি।

RUDA ACADEMY, THOUBAL
Affiliated to CBSE-Delhi, No. 1230036
100% Pass in both
AISSE, & AISSCE, 2019

AISSE, 2019
Koijam Pushparani Devi 92.4%
L. Kiranjit Singh 89.4%
Sanasam Piba Meitei 84%
Valenta Waikhom 80.8%
Ajit Leishangthem 80.8%
Leishangthem Kalpana 80.6%

Result Statistics

AISSE, 2019	AISSCE, 2019
1st Divisioners : 110	1st Divisioners : 22
2nd Divisioners : 24	2nd Divisioners : 2
3rd Divisioner : Nill	3rd Divisioner : Nill

AISSCE, 2019
W. Archana Devi 80.6%
L. Prembala Devi 73.6%
Sheikh Shifa Shihab 73%
Th. Leishemba Singh 72.2%
Nandita Hijam 71.2%
Sweeta Lishram 71.2%
Bemoli Lisham 70.6%
B. Rahul Sharma 70.6%

OFFER FOR STUDENTS
Free : Admission, Tuition fees, Hostel Admission, Transportation .
who secure AISSE-2019 - 80% and H.S.L.C - 2019 under BOSEM - 80%
Free : Admission Fee who secure 75% in the AISSE, 2019 or HSLC Exam 2019 under BOSEM or any other similar Exam Board.
Last Date of Admission for Class - XI Science & Arts : 20th May, 2019
Session starts on Thursday, 16th May, 2019
Sd/-
Principal
Ruda Academy, Thoubal
HL-P/4137/15

IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case No. 250/SDC/Bishnupur, 2019

1. Maishnam Ibopishak Singh S/o (L) M. Iboton Singh of Kwashiphai Mayai Leikai.
2. -do- Tomcha Singh S/o -do- of -do-
3. -do- Ingocha Singh S/o -do- of -do-
4. -do- Budhachandra Singh S/o M. Ibopishak of -do-

...Petitioners.

-Vs-

Maishnam Iboton Singh S/o (L) M. Laphoi Singh of Khoijuman Khullen.

...Opponent.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Bishnupur, the 09-05-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Maishnam Iboton Singh S/o Late M. Laphoi Singh of Khoijuman Khunou দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং 40/166/73 (অরিবা)। 171 (অনৌবা) সী: এস: দাগ নং 269 and 268 গী 0.25, 0.15=0.40 চাওবা ইঙ্খোল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

HL-P/4133/15 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Bishnupur**

লিগেল ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএন এস): মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটিনা শীন্দুনা ঙসি এ দি আর বিল্ডিং লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটিগী কনফরেন্স হোলদা নোংমগী ওইবা লিগেল ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

লিগেল এসিষ্টেন্স টু দ ফেমিলি মেম্বর ওফ প্রিজনর হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম অদুদা ৱাঙাঙলোয় কয়ানা লিগেলগী মরী লৈনবা হিরমশিংদা ৱা ঙাঙখি। প্রিজনরশিংগী ফেমিলি মেম্বরশিংদা লেম্না লিগেল এসিষ্টেন্স পীবগী কেম্প্যেন চত্থরকপগী শরুক অমা ওইনা ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি। মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটিনা শীন্দুনা কেম্প্যেন অসি থা অসিগী ১ দগী চত্থবা হৌরকখি।

ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি জি গাইফুলসিলুনা হায়খি, ইমুং-মনুং থাক্লম্বা মীওই অমনা করিগুম্বা জেলদা লৈখিবা মতমদা ইমুং অদুগী মীওইশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লগনি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন কয়া অসি য়েংলগা নেসনল লিগেল সার্ভিস ওথোরিটিগী দিরেক্টিব মখাদা কেম্প্যেন অসি চত্থরকপনি হায়নসু মখা তাখি।

মণিপুর লিগেল সার্ভিস ওথোরিটিগী দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি সদানন্দ সোরোখাইবমনা কেম্প্যেন অসি পাঙথোকপগী পান্দম অমদি লোগা মরী লৈনবা হিরম কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। সোসল ৱেলফ্যেরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর দব্লিয়ু বিরহরিনা সোসল ৱেলফ্যেরনা পায়খৎপা স্কিম কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। ৱিদো পেন্সন, ওল্ড এজ পেন্সন অমদি স্কিম কয়াগী মতাংদা মরিক চুন্না ৱাফম কয়া থমখি।

এয়রপোর্ট দ্রগ কেস : কাদাগী এক্স...

*লামায় ১গী মখা...*কৌবা মীওই অমগীনি হায়বসু খঙবা ঙমখি অদুবু কাদানা মহাক কনানো হায়বদি খঙখিদে হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি। কাদাগী মায়কৈদগী মীওই অসিগী মশক খঙদ্রবসু ফাখ্রিবা দ্রগশিং অদুগী মপুশিং মশক খঙদোকপগা লোয়ননা হেনরিগী মথক্তসু লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা লূপ অসিনা খোঙজংশিং চঙশিনখি হায়নসু কোর্টতা পাউদমখি।

মহাক্লা কোর্টতা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা 'দব্লিয়ু ৱাই' (ৱর্ল্ড ইজ য়োরস) হায়বা দ্রগশিং অসি সিউদো ইফিদ্রিন অমসুং কেমিকেলশিং হাপচিল্লগা ম্যান্মারদা থাই হায়বা পাউচেশিংদগী খঙবা ঙমখি। অদুগা হায়রিবা দ্রগশিং অসি মণিপুরদা পুশিল্লক্তুনা মফমসিগী নহা ওইরিবশিংদা য়োল্লি হায়বসু খঙবা ঙম্মী হায়খি। অদুগা হৌজকসু কাদানা মণিপুরদা মপান্দগী দ্রগশিং পুশিল্লকপা অমদি ম্যান্মারদা পুশিনখিবনচিংবগী মতাংদসু অকনবা মিৎয়েং চঙলি হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

এক্স প্রসিদেন্ট অসিগী ষ্টেটমেন্টশিং কোর্টনা রেকোর্দিং তৌবা লোইরবা মতুংদা মহাকপু কেস অসিগী একুজ ৬ কী মনুংদা ৪গী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা ক্রোস এগজামিনেসন তৌখি। অদুগা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই), কোলকটানা ফ্রেম তৌরকপা কেস অসিগী চাজ 'সিটতা য়াওরিবা এক্যুজশিংনা রজনিশ কুমার (৪৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা মহেন্দ্র প্রসাদ, পটনা, রামভির ট্যাগি (৪২) অপোকপা সটিশ ট্যাগি, উত্তর প্রদেশ, হেনরি ওক্রম এলিয়স হেনরি, অপোকপা লৈখিদ্রবা ও লুখোই, মন্ত্রি পুখ্রি, সাপম অঙ্গুস এলিয়স ননাও এলিয়স নাওবা (২৫) অপোকপা এস ইনাওবী, চঙাঙ্গৈ ময়ায় লৈকায়, এম দি রাজাউদ্দিন (২৯), অপোকপা এম দি রিয়াজ, লিলোং অমসুং এল তর্পোন, অপোকপা লৈখিদ্রবা এল গুলামজাৎ, কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়নি।

পনবা য়াবদি দেক্কান কার্গোনা পুশিল্লকখিবা দ্রগশিং অদু ফাগৎখিবগী মতাংদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা এন দি এন্দ পি এম এক্টকী মখাদা এফ আই আর নম্বর ১১ (১) ২০১৩ রেজিষ্টর তৌদুনা কেস অমা লৌখৎখিবনি। অদুবু কেস অসি সী বি আইদা শীন্নবদগী এজেন্সি অসিনা কেস নম্বর আর সী ৭/এস/২০১৩ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case No. 252/SDC/Bishnupur, 2019

1. Oinam (N) Memma Devi D/o Bira Singh of Kwashiphai.
2. -do- Ibemhal Devi D/o -do- of -do-
3. -do- Babita Devi D/o -do- of -do-
4. -do- Shantibala Devi D/o -do- of -do-
5. -do- Sanatombi Devi D/o -do- of -do-
6. -do- Manileima Devi D/o -do- of -do-
7. -do- Binakumari Devi D/o -do- of -do-

...Petitioners.

-Vs-

Oinam Bira Singh S/o (Late) Bharot Singh of Khoijuman Khunou.

...Opponent.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Bishnupur, the 09-05-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Oinam Bira Singh S/o Late O. Bharot Singh of Khoijuman Khunou দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং 40/174 (অরিবা)। 40/29 (অনৌবা) সী: এস: দাগ নং 247 গী 0.23 চাওবা ইঙ্খোল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

HL-P/4133/15 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Bishnupur**

মীথোই মীহেল্লবশিং হরাও তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস): কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম) না লৌবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন ২০১৯ দা থৌবাল ওক্রম ৱাংমাতাবদা লৈবা ন্যু ইরা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদগী সাইন্স ষ্ট্রিমদা মণিপুর পুম্নগী ওইনা ৪ শুবা পোজিসন ফংলকখ্রবা অভিনাশ এলাংবম অমদি ২০ শুবা পোজিসন ফংলকখ্রবী লাইশ্রম রেস্মি য়াওনা স্কুল অসিগী থোইদোক হেন্দোক্লা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয়শিং ঙসি হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

ন্যু ইরা হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা শীন্দুনা স্কুল অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা ঙসিগী মহৈরোয়শিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর এন মোহিলালনা অথোইবা মীথুং, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. অকোইজম ব্রোজেননা থৌরম মপু লোয়ননা সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম অমদি এভরগ্রীন ফ্লোৱরস স্কুলগী প্রিন্সিপাল ডা. ওক্রম ইবোপিশকনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা পোজিসন হোল্ডর অনী অমদি কম্প্যুটর সাইন্সতা ষ্টেট সবজেক্ট টোপ্পর ফংলকখ্রবা মহৈরোয় অহুম য়াওনা ইন্সপিয়র স্কোলার ফংলকখ্রবা মহৈরোয় ৩১ অমদি ওজাশিংদা স্কুলগী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা ৱাঙাঙলোয়শিংনা হন্দক্তা ফল লাউথোকখিবা কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী এগজামদা ন্যু ইরা হায়র সেকেন্দরি থৌবাল ওক্রম ৱাংমাতাবগী অহানবা ওইনা মহৈরোয় ২২২ না এপিয়র তৌবদা ৪ শুবা পোজিসন অমদি ২০ শুবা পোজিসন অনী য়াওনা ফর্ষ্ট দিভিজনদা মহৈরোয় ২০৮, সেকেন্দ দিভিজনদা মহৈরোয় ১৪ মায় পাক্লক্তুনা চাম্মদা চাম্মা পাস তৌরকপদা হরাও নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহৈরোয়শিংগী মতুংদা লাক্নদৌরিবা পুন্সিদা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইবা ঙম্ননবা পাউতাক কয়া পীখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর এন মোহিলালনা হায়খি, এদ্যুকেসন য়াওদনা চাউখৎপা খুন্নাই অমা শেম্না ঙম্লোই। মরম অসিনা মীপুম খুদিংমক্না এদ্যুকেসনদা মীৎয়েং থমগদবনি। নহা ওইরিবশিংনা লাইরিক তম্বদা লাইশু খঙনা তমসি। ফন্না লাইরিক হৈরবসু লাইশু খঙদ্রবদি পুন্নমক অরেম্বনি। মায় পাক্লবা মহৈরোয় অমনা মহাকপু তাকপীরকপা ওজাশিংবু খক কাউবা ঙম্নদে। মরম অসিনা ওজাশিংনসু মহৈরোয়শিংদা কথোকপগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা তাকপী তম্বীবগী তঙাইফদে হায়খি।

কবি সলাম তোম্বগী মপোক নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

তৌবুল, মে ১৪ (ঐচ এন এস): জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্ট' হব, ককচীংগী লমজিং মখাদা ঙসি শক্লাইরবা কবি সলাম তোম্বগী ৭৩শুবা মপোক নুমিৎ কবিগী তৌবুলদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা বিরমঙ্গল পুখ্রম্বমনা ইবা 'শৈরেংগী কাউঙমদ্রবা খোঙচৎ : অশৈবা সলাম তোম্বগা উনবা' মিংথোনবা মেমোয়র অমা ফোঙবগা লোয়ননা কবিগী মফমদা সনা খোংনাং অমসুং অঙ্গার পাম্বী খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি হায়না জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্ট' হব, ককচীংগী সেক্রেটরি চীংখৈ ময়াংলম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুপী অঙাংদা মীওৎ মীনৈ চত্থবগী...

লামায় ১গী মখা... মহাক্লা মখা তাখি। অমরোমদা, ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্টকী সেক্রেটরি সোবিতা মংশাতাবমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, পাউচেশিংদা ফোঙখিবা পাউদা য়ুম্ফম ওইরগা খোমজিনবা রিপোর্ট মতুংইন্না নুপী মশা মথন্তা শিবগী চাং অসি ৱাংখৎলক্লি। কুমজা ২০১৮ দা নুপী ১১ শিখি। চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ফাওবদা নুপী ৯ শিখ্রে। থা খরা অসিদা নুপীনা মশা মথন্তা শিজবগী চাং ৱাংলি। মমাঙ চহীদা নুপী ৮ হাৎখি। হন্দক্কী চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মরি হাৎখি। মমাঙগী চহীদা রেপ তৌবীখ্রে হায়বগী ৱাকৎ ৪৭ রোম লৈখি। হন্দক্কী চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা কেস ১১ লৈরি। মমাঙগী চহীদা নুপী ১৬ চিংনিংঙাই ওইবা মওৎদা শিবগী থৌদোক থোকখি। হন্দক্কী চহী অসিগী ওইনা কেস অহুম লৈরে হায়রি।

লৈকায়-লৈকায়দা নুপী শিরগা থুনা পোলোইথোকখিবা কয়া অমসুনি। থৌদোক অমা থোক্লে হায়না চঙশিল্লুবা মতমদা পোলোইগে তৌরম্বা কয়া অমসু য়াওরম্মী। ইম্ফাল মনুংদা কেস ১০ থোকপা মতমদা চীংগী লমদদি কেস ১/২ খক্তনি। অয়াম্বনা রিপোর্টসু লাক্তে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চীংথক্তা ঙা য়োক্তুনা মায় পাক্লা ফর্ম...

লামায় ১গী মখা... ঐগীদা অদুম পুথোকচরে। অদুবু ঙাগী মচিঞ্জাক লৈনীংলবসু লৈবা ঙমদবনা ঙসি ফাওবদা পীজদে। খুনগী ওক লোয়বদা পীজবা মাইরেন অরাংবা হায়না খঙনবা মীনা চানদবা চীংদা য়াম্না হৌবা মাইরেন মখল অমা লৈরি। মদু ফুংলগা চেংকুপ-চগেমগা তোৎতুনা পীজে। মসি ঙানা য়াম্না পাম্বা চিঞ্জাক ওইরল্লে। য়োক্লিবা ঙাশিং অসিসু রৌ, মিরগল, কমন কার্প, গ্রাস কার্প ঙাক্তনি। সিলভর কার্পসু হান্না য়োক্লম্মী অদুবু চীংগী ঈশিং অসিদদি চানবা ৱাৎপনা হৌজিক্তি য়োকখিদ্রে।

মফম অসিদা য়োক্লিবা ঙাশিং অসিগী মনুংদা চীংগী ঈশিংগা খ্বাইদগী চানবা ঙা মখল অসি মিরগলনা ওইরি। লোক্তাগী চেন্থরকপা ঈশিংসু ঙায়োক ফর্ম অসিদা থাদবা মতমদা ঙা চাউখৎহনবদা মতেং ওইবদা নত্তনা হাওবসু হেল্লি। ঙাশিং মপূং-মরৈ ফানা চাউনবা হোৎনবদা চহী অনীদি চঙই অদুবু মহাও লৈবা হার হাপ্তুবা ঙা ওইবা মরম্না কৈথেল য়ৌবা নংদে। য়ুমদা লৈবা লাকপা ঙাক্তনি। মিরগল কেজি অমদা লুপা ৩০০দা য়োল্লি। অদুগা রৌ, কমন কার্প, গ্রাস কার্পনা কেজি অমদা লুপা ২৫০ দা য়োল্লি। ঙা য়োনবগীদমক্তদি অৱাবা লৈতে।

ঙায়োক ফর্ম অসি হেন্না পাক চাউনা তৌনবগীদমক অহেনবা শেল লৈতবনা অৱাবা মায়োক্লরি। শেল মরাং কায়না লৈরবদি ঙাক্রা, উকাবীনচিংবসু য়োক্লিংই। ঙাক্রা নৎত্রগা উকাবী য়োকপা হায়বসি জালি খাদুনা শেমদবা য়াদে। অদুনা ঙাক্রা, উকাবী য়োকপা হায়বসি শেল য়াম্না চঙবা মরম্না শেল লৈতবনিনা য়োকপা ঙমদে। ঙায়োক ফর্ম তৌরিবা লম অসিসু চাউদবা য়ারক্তবা মরম্না খুনগী মীওই ১০দগী লম মচিং মচিং লৌদুনা পুনশিনবদগী হৌজিক্তি লৌ পরি ৮মুক চাউরে । ফর্ম অসি শেমগৎপদা য়াম্লবা শেনফমসু চঙখ্রে। ঙায়োক ফর্ম শেম শাবা অমদি ঙা য়োকপসি মতম চঙবনিনা শেন্থোক লম্বী হেনগৎহন্নবগীদমক ওর্গানিক্কী ওইবা পোৎলম কয়াসু পুথোকপনি।

ঙায়োক ফর্ম অসিগী অকোয়বদা অৱাথবী অমদি কিহোম্নচিংবা কয়া থারি। মসিগীসু মথক্তা য়োংচাক পাম্বী ১০০ হেন্না থাবগা লোয়ননা চু, চমপ্রা, কোমলা, লফুন্নচিংবা থারিবশিং অসি হার অমত্তা হাপ্পা নত্তে। শক্তিগা উৎ-ৱাইগা হাপ্লগা থাবা ঙাক্তনি। অদুনা উহৈ-ৱাহৈশিং য়াওরগা ঙাগী পোথোক্লা পূন্না চহী অমদা লুপা লাক্ষ ১৪ রোমদি লাকই। অদুবু ঙসি ফাওবদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা মখলগী মতেং অমত্তা ফংদ্রি। অদুনা লোন ওইনা পীবা য়াবা লৈরবদি লৈঙাক্না পীবিদুনা ফর্ম অসিবু চাওখৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংহন্নীংই হায়নসু এন জি অশাঙনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

ꯁꯂꯥꯢ ꯍꯣꯜꯗꯤꯡꯁ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯚꯦꯠ ꯂꯤꯃꯤꯇꯦꯗ
SALAI HOLDINGS PVT. LTD.
Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West,
Manipur-795001, India

RECRUITMENT NOTICE

SALAI Holdings Pvt. Ltd. requires the service of qualified person for SMART Universal Academy, Sekmaijin Khunou, Kakching District to fill the following positions :

Sl. No.	Name of Post (s)	No. of Post	Eligibility	Experience	Pay Scale (Gross)
1.	Lecturer - Maths	2	M.Sc. in Mathematics with B.Ed/M.Ed	3 - 5 years	1.6 - 2.0 Lpa
2.	Lecturer - Physics	2	M.Sc. in Physics with B.Ed/M.Ed	3 - 5 years	1.6 - 2.0 Lpa
3.	Lecturer - Chemistry	2	M.Sc. in Chemistry with B.Ed/M.Ed	3 - 5 years	1.6 - 2.0 Lpa
4.	Lecturer - Botany	1	M.Sc. in Botany with B.Ed/M.Ed	3 - 5 years	1.6 - 2.0 Lpa
5.	Lecturer - Zoology	1	M.Sc. in Zoology with B.Ed/M.Ed	3 - 5 years	1.6 - 2.0 Lpa
6.	Lecturer - Home Science	2	M.Sc. in Home Science with B.Ed/M.Ed	3 - 5 years	1.6 - 2.0 Lpa
7.	Lecturer - English	2	M.A. in English with B.Ed/M.Ed	3 - 5 years	1.6 - 2.0 Lpa
8.	Lecturer - Manipuri (M.M)	2	M.A. in Manipuri (M.M.) with B.Ed/M.Ed	3 - 5 years	1.6 - 2.0 Lpa
9	Librarian	1	B.Lib.Sc./M.Lib.Sc.	2 - 3 years	1.2 - 1.4 Lpa
10	Lab. Attendant	4	B.Sc. (Royal Sc.). B.Sc. (Biochemistry)	Min. 1 Year Min. 1 Year	1.2 - 1.4 Lpa

Terms : Six (6) months probation period.

Transportation/Cab Service will be provided for day scholar staffs.

Application (plain paper/neatly typed) with resume, two passport photos and all supporting documents should be submitted on or before 22nd May 2019, at HRD Office: Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, Imphal West. Interview date will be notified personally.

Sd/-
Secretary, Human Resources Department
SALAI HOLDINGS PVT. LTD.

HL-P/4136/15

ꯀꯤꯡꯗꯝ
KINGDOM
SPOKEN ENGLISH
& Etech COMPUTER
Special Classes for X, XI & XII Appeared Students
English Course + Free 1 mth. Computer Course
Instructor :
SIR NAOBI LOITONGBAM
FREE FOR ORPHANS
- 19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)
7005622203, 7005665814
English Features :
Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Soft-skills, Daily Conversation, Personality Development, etc.
COMPUTER COURSES :
DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing, HTML Programmings, Data Entry, etc.
SPOKEN HINDI CLASS AVAILABLE
Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6 am to 9 am
Old Lambulane, Jail Road, Opp. G.P. Women's College
HL-B/5359/27/4-27/5